# ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম খ্বাইদগী নৌবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা থাক অমা হাইগৎলগা মঙাশুবদা লৈখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী)ঃ

ইন্টর্নেসনল হোক্কী ফেদরেসননা খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা মালেমগী নুপাগী হোক্কী টিমশিংগী ওইবা মকোক মথং নাইবগী পরিংদা থাক অমা হাইগৎলগা ইন্দিয়াগী টিম মঙাশুবা থাক্তা লৈখ্রে।

হন্দক্তা নেদরলেন্দসকী সিটি ব্রেদাদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কী টুর্নামেন্টতা সিলভর মেদল ফংলকখিবা পোজিসন অদুনা থাক হাইগৎপা ঙল্লকপনি। টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগা লন্বা তৌনবদা অপীবা মিনিট ৬০ গী মতম অদু পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং পেনালটি সুটআউটতা ইন্দিয়াগী টিম মায়থীহৌবনি।

থা অসিগী ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ন গেমস অদুদা ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৪ ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা লৌখিবা নুপাগী হোক্কীগী গোল্ড মেদল অদু দিফেন্দ তৌগদৌরিবনি।

এসিয়াগী ওইনা ইন্দিয়ানা নুপাগী হোক্কীদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈবা ঙল্বা টিম অমা ওইরি। মালেমগী মকোক থোংবা টিম ১০ গী মনুংদা ইন্দিয়া খক্তনা পোজিসন অমা হাইগৎপা ঙল্লিবনি। অতোপ্পা পোজিসনশিং অদুদি লেঙদনা লৈরি। ইন্দিয়ানা পূন্না পোইন্ট ১৪৮৪ ফংলগা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী জর্মনি, ইংলেন্দ অমসুং স্পেনদগী থাক ৱাংবা ঙল্লি।

খ্বাইদগী মকোক্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী থাক অদু লেঙদনা পোইন্ট ১৯০৬ ফংলগা লৈরি। কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসকী চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনানা পোইন্ট ১৮৮৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। বেলজিয়মগী টিম পোইন্ট ১৭০৯ ফংলগা অহুমশুবদা অদুগা নেদরলেন্দসনা পোইন্ট ১৬৫৪ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি।

জর্মনি, ইংলেন্দ, স্পেন, ন্যু জিলেন্দ অমসুং আইরলেন্দনা মথংশিংনা তরুকশুবা, তরেৎশুবা, নিপানশুবা, মাপনশুবা অমসুং তরাশুবদা লৈরি।

এসিয়াগী ওইনা ইন্দিয়াগী মথংদা লৈরিবা টিম অসি মলেসিয়ানি। মখোয় ৱর্ল্ড নম্বর ১২ গী থাক্তা লৈরি। মখোয়গী মথংদা পাকিস্তান অমসুং কোরিয়াগী টিমনা মতুং ইল্লক্লি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী টিম হান্না তরাশুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী মাপনশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমদুনা এসিয়াগী নম্বর ৱান টিম ওইবা ঙল্লি। হন্দক্তা লন্দনদা পাঙথোকখিবা হোক্কী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী টিম অসি ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌবনি। মখোয়বু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী সিলভর মেদল ফংখিবা আইরলেন্দগী মখুৎতা পেনালটি সুটআউটতা মায়থীখিবনি।

আইরলেন্দগী টিম অসিনা মীয়াম্না থাজনদবা মওংদা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবদগীদমক হান্না ১৬ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদু থাক ৮ দা হাইগৎলগা হৌজিক নিপানশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লিবা নেদর-লেন্দসনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মখোয়গী মথংদা ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, অর্জেন্টিনা অমসুং জর্মনি লৈরি। এসিয়াগী ওইনা ইন্দিয়াগী মথংদা কোরিয়ানা ১০ শুবা পোজিসনদা, চাইনানা ১১ শুবা অদুগা জপানননা ১৪ শুবা পোজিসনদা লৈরি।

অমরোমদা ওগষ্ট ১৮ দগী হৌগদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অসিনা গোল্ড মেদল ফংনবগী অচৌবা থাজবা অমগা লোয়ননা শেম-শারি। মদুদগী হন্থনা ফংলবদি ইন্দিয়াগী মীংচৎ লৈরোইদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসিসু গোল্ড মেদল ফংবদা অচৌবা তাঞ্জা অমা লৈরি অদুবু মদু য়ৌনবা হোৎনবদা টিম অনীনা মায়োক্নবা টিমশিং অদুবু তরাই তরাই লৌবদি য়ারোই। এসিয়াগী নুপাগী হোক্কীগী লমদা মরুওইবা লন্বাশিং অদুদি মতম পূম্নমক্কী ওইনা ইন্দিয়া, পাকিস্তান অমসুং কোরিয়াগী লন্বাদা তোয়না থেংনৈ। অদুবু মলেসিয়াগী টিমসু অদুমক য়ানবা ঙল্লিবনি। নুপীগী কাঙলুপ্তুনা চাইনা, কোরিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী লন্বানি। অদুবু জপানসু ৪ শুবা টিম ওইনা মকোক থোংবা টিম অহুম অদুদা লন্বা পীবা ঙমদবদি নত্তে।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ফুটসাল অমদি বীচ ফুটবোলবু হেন্না চাউখৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী)ঃ

চহী কয়া চঙনা প্লান্নিং তৌরবা মতুংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না ফুটসাল অমসুং বীচ ফুটবোলবু হেন্না থৱায় হাপচিন্দুনা চাউখৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে।

এ আই এফ এফনা এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ন ফুটবোল কোচেসকী হৌজিক হৌজিক দিরেক্টর ওইরিবা অদুগা মমাঙদা ফুটবোল শান্নরোয় অমসু ওইরম্বা দিনেশ নায়রবু ফুটবোল মশান্না অসিগী থবক থৌরম পূম্নমক পায়নন্নবা শিন্নখি।

ফুটসাল হায়রিবা মশান্না অসি ইন্দোরদা শান্নবা ফুটবোল মখল অমনি। বোল থোৎপগী চাং হেল্লি অমসুং চাওবসু ফিল্ড ফুটবোলদগী হন্থে। নাকল অমদা শান্নরোয় ৫/৫ লৈগনি। মদুদা গোলকীপরসু য়াওরি।

হায়রিবা মশান্না অসি ইন্দিয়াদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়াম্না পাম্নবা মশান্না অমা ওইরক্লি। এ আই এফ এফনা ফুটসাল মশান্না অসি শকখঙদুনা মশান্না অসিগী মরমদা কোচ-রেফরি এদ্যুকেসন সিষ্টেম শেমগৎপা হৌখি। লোয়ননা হৌখিবা চহীগী অরোইবা থাদা কোচশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

এ আই এফ এফনা দিনেশ নায়রদা ফুটসালগী মতাংদা চথুগদবা থবক থৌরম পূম্নমক পায়খৎনবা হায়রকপা অদু অচুম্বনি হায়না মশানসু ফোঙদোক্লদুনা শেম-শানবগী থবক থৌরমশিং অদুগী কয়াৎ শেন্বা লোইরে হায়না থমখি।

অঙাংশিংনা ফিল্ড অচৌবদা শান্নবা তোয়না ঙমদবা মরম্না ইন্দোরদা শান্নবা য়াবা মশান্না অমা ওইরকপা অসি য়াম্না পাম্নরি। ফুটসাল অমসুং বীচ সোক্কর অসি মালেমগী মফম কয়াদা পাম্নরি। অদুবু সাউথ অমেরিকাগী ব্রাজিল অমসুং অর্জেন্টিনাদনা হেন্না শান্নৈ। রোনালদিনহো অমসুং নেমারনা ফুটসাল ফুটবোল অসিনা মখোয়না হৌজিক লৈরিবা থাক অসি য়ৌহনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

এসিয়াগী পাৱরহাউস ইরানসু ফুটসালদা য়ুম্ফম ওইরগা হৌরকখিবা ঙাক্তনি হায়রি। ৱেষ্টর্ন ইন্দিয়া ফুটবোল এসোসিএসনগী সী ঈ ও হেনরি মিনিজেসনা ফোঙদোকখিবদা ফুটসালগী লীগ তৌননবা থবক থৌরম পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

## দোলর বিল্লিয়ন ২.৩ দা অর্সনেল ক্লব য়োনখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী)ঃ

মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইংলিশ প্রিমিয়র লীগকীসু মকোক থোংবা টিম ওইরিবা ইংলেন্দগী অর্সনেল য়ু এস এগী বিল্লিন্যের ষ্টান ক্রোইনকেনো য়ু এস দোলর বিল্লিয়ন ২.৩ দা লৈবদা য়ানখ্রে। য়ানবা অদু ঙরাং ক্রোইনকেনো ক্লব অদু লৈননবা হোৎনরকখিবা রসিয়াগী এলিসর উসমানোবতগী মুনখিবনি।

ক্লব অসিগী মতম শাংনা চহী ২২ মেনেজর ওইরম্লবা অর্সিন ৱেঙ্গরনা পোত্থাখিবদগী মেনেজর লৈতনা ক্লব অদু লাক্লিবনি। মমাঙদা অর্সনেল ক্লব অসি স্যেরহোল্ডর য়াম্না য়াওবা মরম্না মপূং ওইনা মীওই অমনা চলাইবা ঙম্লমদবনি। অদুবু ক্রোইনকেনো অর্সনেলগী স্যেরহোল্ডরশিং অদুগী চাদা ৬৭ লৈদুনা ক্লব অসিনা দোইসবেঙ্কতগী পুরুবা পাউন্দ মিল্লিয়ন ৫৫৭ অদু শিংবা য়াবগী তাঞ্জা অমা লাক্লি।

# শ্রীয়াসনা ইংলেন্দদা অদুমক শান্নবনা হেন্না কান্নগনি : বিস্বানাথন আনন্দ





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী)ঃ

চহী ৯ দা ঙাইরিবা চেছ মশান্নদা মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয়-শিংবু মীৎয়েং চঙশিলহনবা ঙল্লিবা ইন্দিয়া মচা য়ু কেদা লৈবা শ্রীয়াস রোয়েলনা মখা তানা ইংলেন্দদা লৈদুনা শান্নবনা হেন্না কান্নগনি হায়না ইন্দিয়াগী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর ওইখিবা বিস্বানাথন আনন্দনা মহাক্কী ৱাখল্লোন থমখ্রে।

চহী ৯ গী কাঙলুপতা শ্রীয়াস রোয়েল ৱর্ল্ড নম্বর ফোর পোজিসনদা লৈবা ঙল্লিবনি। মহাক্কী অপোকপা লন্দনদা থবক পোষ্টিং অদু কুমজা ২০১৩ দগী লাকপনি। শ্রীয়াসনা চহী ৩ শুরকপদগী চেছ মশান্না অসিদা মপূক্লিং চঙদুনা মহাক্কী চহী কাঙলুপ অদুদা ইংলেন্দগী মহুৎ ওইনা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। মহাক ইন্দিয়া মচা অমা ওইরবসু চেছকী ট্রেনিং অমসুং কম্পিটিসনশিং য়ু কেদা অদুমক ফংদুনা লাকপনি।


মরক অসিদা মহাক্কী অপোকপগী ভিজা অদু চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১০ দা লোইবা মরম্না শ্রীয়াসনা মখা তানা ইংলেন্দগীদমক শান্নবা য়ারোইদৌরি। য়ু কেদা ইম্মিগ্রেসনগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না মীওই অমা অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংশিংদা থবক্কী ভিজা অদু চহী ৫ দগী হেন্না পীবা য়াদে। অদুবু করিগুম্বা চহী ১ দা বৃটিশ পাউন্দ ১২০,০০০ গী ইনকম লৈরবদি অখন্ননা চহী ৫ দগী শাংদোক্লা ভিজাশিং পীবগী কাঙলোন অমসু লৈরি।

অদুবু শ্রীয়াসকী অপোকপী টাটা কন্সলটেন্সি সর্ভিসেস (টি সী এস) কী এমপ্লোয়ী অমা ওইদুনা চহী অমদা বৃটিশ পাউন্দ ১২০,০০০ য়ৌনা তানবা ঙম্বা মরম্না মহাক্কী থবক্কী ভিজা অদু চহী ৫ দা লোইশিনগদৌরিবনি।

ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা চেছ শান্নরোয় নিগেল সোর্টনা ফোঙদো-রকপদা শ্রীয়াসকুম্বা য়াম্না টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয় অমা বৃটেননা মাঙজগদৌরিবা অসি লৈবাক অদুগীদি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না থমখি।

ইংলেন্দদা লৈরিবা শ্রীয়াসপু শৌগৎপা মীওই কাঙলুপশিংনা “কীপ শ্রীয়াস ইন য়ু কে” হায়বা খোল্লাউ নোংম-নোংমগী মখোল হৌবা হেনগৎলক্লি। অমরোমদা মমিং লৈরবা মীদিয়া হাউস টাইমস ওফ ইন্দিয়া দোট কোমগা হকথেংননা ৱারী শানবা অমদা ইন্দিয়াগী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক লৌবা ঙমখ্রবা বিস্বানাথন আনন্দনা শ্রীয়াসকী মতাংদা ফোঙদোকপদা মহাক্না পিক্লিঙৈদগী য়ু কেদা লৈদুনা ট্রেনিং অমসুং শান্নবা য়াওরকখিবা মরম্না মফম অদুদা অদুমক লৈরগা শান্নবনা ফগনি হায়না থমখি। অদুবু করিগুম্বা শ্রীয়াসনা ইন্দিয়াদা লাকপা তারবসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মহাক্কী মখা তাবা করিয়রদা চঙগদবা মচাক পূম্নমক পীদুনা মশান্না অদুদা অহেনবা লৈননবা খুদোংচাবদি লৈগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। য়ু কেদা লৈথবা হায়বদু শ্রীয়াসকী ইমুং মনুংগী ৱারেপ ওইগনি।

# রোজর্স কপ্তা কনাদাগী মিলোস রাওনিক অমসুং য়ু এসকী ভেনস ৱিলিয়মস মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



টোরোন্তো/মোন্ট্রিয়ল, ওগষ্ট ০৭(এজেন্সী)ঃ কনাদাগী সিটি অনীদা পাঙথোক্লিবা রোজর্স কপ এটিপি অমসুং দব্লিউটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা কনাদাগী নুপাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিক অমসুং নুপীগী শান্নরোয় য়ু এসকী ভেনস ৱিলিয়মস অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টোরোন্তো সিটিদা নুপাগী এটিপি টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা কনাদাগী মিলোস রাওনিকনা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসন এগী এফ টিয়াফো অমসুং ইটালিগী এম চেচিনাটো অনীগী অথোইবগা লন্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কাংলুপ্তা অহানবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি-জপানগী ৱাই সুগিতাবু ৬-২, ৬-৩দা থোইরম্বা বেলারসকী আই ইভাসকা, ওষ্ট্রেলিয়াগী এম এবদেনবু ৭-৬(৭-৩), ৬-৪দা থোইখিবা কনাদাগী পি পোলান্সকি, স্পেনগী শান্নরোয় দেবিদ ফেররবু ৭-৬(৭-৫), ৬-৪দা থোইরম্বা য়ু এস এগী ব্রেদলি কাননি। কাননা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং চহীগী টাইটল লৌবা ঙল্লিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ু এস এগী জেক সোকপু রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩দা থোইরমখি। অহানবা রাউন্দ অদু শান্নবা লোয়শিনবা ঙমদনা পোত্থাখিবা জপানগী ৱাই নিসিওকাগী লন্বা ওইখিবা স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা সিদেদ শান্নরোয় পি করেনো বুস্তা য়াওরি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা য়ু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় কেরোলিন দোলেহাইটপু ৭-৫, ৬-১ দা থোইখি। সর্বিয়াগী ৱাই বারিকোভা অমসুং জেক রিপব্লিককী কেটরিনা প্লিজকোভাসু অহানবা রাউন্দ মায় পাকপা ঙমখি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস)ঃ

বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্টনা হোষ্ট ওইরগা ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) না শীন্দুনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৩ দা নাওরেমথোং শমুশঙ ব্রিলিয়ন্ট ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা মরিশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ঙসি তেরাদা লৈবা কে বি বি জিমদা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা এ এম জি দব্লিয়ু এগী ভাইস প্রসিদেন্ট ও অজিৎ, এ এম জি দব্লিয়ু এগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই সুনন্তা, বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট এস জয়চন্দ্র অমসুং বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস ধুরবনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এ এম জি দব্লিয়ু এগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই সুনন্তনা হায়খি, মরিশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ অসি সিনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর, ৱুমেন বোদিবিল্ডিং অমসুং মেন ফিটনেস হায়না কেটিগরি মঙা থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোক্কনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পান্দমদি অথৌবশিংগীদমক কৎচবা, মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেম্বা, নৌনা বোদিবিল্ডিংগী মশান্নদা খোঙদারক্লিব-শিংগী প্লেটফোর্ম অমা শেম্নবা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা পেট্রিওট দেগী ৱাহন্থোক নৌহৌননা নীংশিংমিন্নবগী চহী খুদিংগী কম্পিটিসন অসি ওগষ্টকী ১৩ দা পাঙথোকপনি।

মখা তানা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিবু শরুক য়াবীনবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এসোসিএসনশিংদা অপীল তৌজবতা নত্তনা দিষ্ট্রিক্টকী লেভেলগী কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা প্লেয়রশিংনা ইন্টর দিষ্ট্রিক্টতা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমনা য়েমেন টিমবু ৩-০ দা থোইখ্রে



অম্মান, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী)ঃ জোর্দানননা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি অম্মানদা লৈবা ইন্টর্নেসনল ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ৱেষ্ট এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (দব্লিয়ু এ এফ এফ) বোইজ ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমনা য়েমেনগী চহী ১৬ মখাগী টিমবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

বিবিয়ানো ফর্নান্দেজকী চেকশিনবা মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিং অসিনা এক্সপোজর টুর ওইনা জোর্দানদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়ারকপনি। সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী চহী ১৬ মখাগী চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শেম-শাবা ওইনা দব্লিয়ু এ এফ এফ বোইজ চেম্পিয়ন্সিপ অদু শরুক য়ারকপনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা থা অসিগী ১ দা শান্নখিবা অহানবা মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক জোর্দানবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম অসি জপানগা শান্নবদা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল ১-২ দা মায়থীবা নংখি। অদুগা টিম অসিনা ঙরাং এসিয়াগী ফুটবোল পাৱরহাউসনি হায়না লৌনরিবা ইরাককী টিমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা অহেনবা থৌনা অমা পীবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক লন্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। বোল পায়বগী চাং য়েংনরুবদদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা খরা হেনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনিট ১০ রোমতা ঙাইশিল্লকখি। মদুদা চথুরকপা ইন্দিয়াগী এটেক অমদা বোল অদু কোর্নর কিক তাদুনা খুদোংচাবা অমা ফংখি। কোর্নর কিকতগী লাকপা বোল অদু শান্নরোয় হারপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা য়েমেনবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থারগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী অথুবা এটেক অমদা রিদজ দেমেলোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা য়েমেনবু ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনিট অনী লোইদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী রোহিত দানুনা অমুক্কা হন্না টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল হাপচিন্দুনা য়েমেনবু ৩-০ দা হেন্দুনা চৎখি। শান্নবগী অপীবা মিনিট ৯০ শুরবা ফাওবদা য়েমেননা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু ইন্দিয়ানা মায় পাকখি।

# অবু ধাবি মাষ্টর্সতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৮৮ য়াওরি



অবু ধাবি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী)ঃ

সাউদি অরাবিয়াগী সিটি অবু ধাবিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস দোলর ৪০০০০ গী শেলগী মনা লৈবা অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৮৮ না শরুক য়ারি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমাঙদা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্বা গ্রান্দমাষ্টর অবিজিৎ গুপ্তুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। পূন্না শান্নরোয় ১৫৮ শরুক য়াবা টুর্নামেন্ট অসিদা তঙ্খায় হেন্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ওইবা মরম্না টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন ওপন চেছ টুর্নামেন্টকুম্বা অমা ওইনা লৌনরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না গ্রান্দমাষ্টর ৪৭ য়াওরি অদুগা ইন্টর্নেসনল মাষ্টর ২৮ সু য়াওরি। অবিজিৎ গুপ্তুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংলবসু মহাক অপূনবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনদি ২০ শুবা সিদেদ ওইনা শান্নগদৌরিবনি।

মাষ্টর্স সেক্সন অদুদা ভিয়েটনামগী গ্রান্দমাষ্টর লি ক্বান লৈমনা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা ইন্টর্নেসনল মাষ্টর নিহাল সরিননা মহাক্কী গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম অদু ফংনবা টুর্নামেন্ট অসিদা হোৎনগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসি রাউন্দ ৯ চঙনা ক্লাসিকেল সিষ্টেমদা শান্নগদৌরি। অহানবা মুভ ৪০ অদু মিনিট ৯০ চঙনা শান্নবা য়াই। মদুগী মতুংদা মিনিট ৩০ হাপ্পগা গেম অদু লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মশীং য়াম্বা মরম্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ঙাক্তগী ওইবা অহানবা রাউন্দ ওইরি। গ্রান্দ-মাষ্টর অবিজিৎ গুপ্তুনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাইলেস দ্রাবিদকা লন্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অরাভিন চিথম্বরমনা অহানবা রাউন্দদা নিশা মোহতাগা লন্বা তৌনগনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর এস এল নরায়ননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় জিমি জুবিনগা লন্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ইরিগাইসি অরুননা মহাক্না মমাঙদা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্টশিংদগী ফংলকপা পোইন্ট অদু ২৫০০ য়ৌরকপা মরম্না মহাক গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম ফংবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৬


১। অহানবা সম্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?

২। কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?

৩। ৱেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?

৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।